ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

CBC 19101/13/0027/2425

চেকশিল্লু
ইনভেষ্টমেন্ট
স্কাম

নহাক্কী শেলবু দবল ওইহন্নবা হোৎনবা
—— থুনা ——
সোসল মীদিয়া গ্রুপস/এপসকী খূখাংদা ফংবা
ভেরিফাই তৌদবা এপস/ৱেবসাইটশিংনা
খুদোংথিহনগনি
শীংনা ইনভেষ্ট তৌ সেবী - রেজিষ্টর্ড এপস খক্তদা

গৃহ মন্ত্রালয় MINISTRY OF HOME AFFAIRS
Indian Cyber Crime Coordination Centre

লেপ্পু। খল্লু। এক্সন লৌখৎলু
কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌগদবা
www.cybercrime.gov.in নৎত্রগা কোল 1930
টিপশিংগীদমক সাইবরদোষ্ট ফোলো তৌ

Vol. 48, Issue No. 231 | নোংমাইজিং, হিয়াঙ্গৈ ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, November 24, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লে : ষ্টেট ১সুং সেন্ত্রেল ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক্লুগা থম্নাপোকপীগী লৌমীশিং লৌ খাওরে-য়ৈরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) :** হৌজিক লৌরোক পাম্থা ওইরকপদগী চীংখোঙ চীংয়াদা লৈবা লৌবুকশিংদা লৌ য়ৈবা-খাওবা তৌবা লৌমীশিং তম্না কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা তানখৎলকখিবদা নত্তনা কুন্থী পি এসকী মনুং চনবা ৱাথলম্পেলগী মিঞ্জাং হায়না খঙনবা মফমদা লৈবা লৌকোন্দা সলাম সোফিয়া কৌবী মৌনহা অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবদা নত্তনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোনবা থম্নাপোকপীগী মমাঙদা লৈবা 'আলু লৌকোল' দা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা কুকি টেররিষ্টশিংনা লৌমীশিং তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ঙসিদগী হৌরদুনা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লগা লৌমীশিং লৌ য়ৈবা-খাওবা তৌনখ্রে।

ঙরাংগী থৌদোক অদু কুকি টেররিষ্টশিংনা থম্নাপোকপী মমাঙ আলু লৌকোল তম্না উরাংপাৎ চীংদগী নোংমৈ কাপথরকপদগী থোকখিবনি। থৌদোক অদুদগী লৌমীশিংনা লৌ শূবা লোইশিল্লমদনা লৌ য়ৈনবা মেছিননচিংবা লৌবুক্তা হুন্দোক্লম্লগা থৱায় হিংননবা লৌবুক্তগী চেনখৎনরকখিবনি।

থৌদোক অসিবু মায়োক্লখিবা লৌ শূরম্বা রেপিন জাজো কৌবা লৌমী অমনা ফোঙদোরকপদা হৌজিক লৌ লোকপগী মতম ওইবনা ঙরাং মফম অসিদা লৌ শূদুনা লৈরিঙৈদা চীং লোমদগী নোংমৈ কাপথরকপদগী লৌ শূবা লোইশিল্লমদনা যূমদা চেনখৎলকখি। অদুম ওইনমক ঙসিদি য়াইঙংপোকপী পুলিসকী টিম অমা য়াওনা সেন্ত্রেল ফোর্সনা লৌমীশিংনা লৌ শূরিঙৈদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎপীরক্লিবা অসি য়াম্না নুংঙাইজে। লৌমীশিংনা মখোয়গী লৌবুকশিংদা লৌ খাওবা লোইদ্রিবা ফাওবা ঙসিগী অসুম্না ঙাক শেনবীবগী থবক মখা তানা চথবীয়ু হায়রদুনা মখোয়না লৌ শূবদা ঙাকপী শেনবীবগীদমক য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেশনগী পর্সনেলশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোল্লিবা লৌবুকশিংদা লৌ শূরিবা লৌমীশিংবু ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭



## জিরিবামগী মীহাৎ : এস পি অমনা লূচিংবা এন আই এগী টিম অমনা অঙাং ৩, নুপী ৩ ফাদুনা পুখিবা মফম য়েংশিনখ্রে

### চেন্নবা মীহাৎপশিং ফাবা হৌরব্রা-হৌদ্রিবরা হায়বগী ওফিসল ওইবা রিপোর্ট ফংদ্রি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১১গী নুংথিলদা জিরিবামগী বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেশনগী কেম্পস মনুংদা লৈবা পুলিসকী বেরেকতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবা পীক্লিবা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩বু কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ চিন্দোলদা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকপদগী হকচাং ওইনা ফংদুনা সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌরবা মতুংদা ঙরাং জিরিবামগী নীংশিং খুলদা শেম্বা খুভমদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রবা মতুং ঙসি নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী (এন আই এ) গী এস পি অমনা লূচিংবা টিম অমনা মখোয় তরুকপু ফাদুনা পুখিবা মফমশিং হকথেংননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেশনগী থবকশিং চথবা হৌখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা এন আই এগী এস পিদু জয়পুর মচানি। মহাক্না লূচিংলকখিবা টিমদা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমসু য়াওরকখিবদা নত্তনা থৌবালদগী সব-ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস অমগা পূন্না ওফিসল মরি ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৫০ রোম তারকপদা বোরোবেক্রা সব দিভিজনদা লাকখিবনি হায়রি।

এন আই এগী টিম অসি বোরোবেক্রাদা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা লাক্কনি হায়বা ৱাফম মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তদগী বোরোবেক্রা সব দিভিজনদা দিপ্লোই তৌবা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা মাঙজৌননা খঙহল্লকখিদে হায়রি।

ইথা থাজদনা অসাম রাইফলস অমসুং সী আর পি এফকী বুল্লেট প্রুফ (কেস্পর ত্রক) শিংদা তোংলগা খঙহৌদনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২



অঙাং অহুম অমসুং নুপী অহুম্না মীহাৎপা কুকি টেররিষ্টশিংগী মখূৎতা হিংলিঙৈগী শক্তম (ফাইল ফোটো)

## আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী মীফম

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা লৈরিবা আই এন দি আই এ ব্লোকতা য়াওরিবা সী পি আই, সী পি এম, শিব সেনা (উদ্ধব থাক্রে), এ এ পি, ফোরৱার্দ ব্লোক, আর এস পি, এন সী পি, টি এম সী অমসুং কোংগ্রেসকী অপূনবা মীফম অমা থা অসিগী ২৫ নিংথৌকাবা নুমিৎতা মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্ননবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। মীফম অসি ঙসি অয়ূক পুং ১০দগী বাবুপড়াদা লৈবা কোংগ্রেসকী সী এল পি লিদর ওক্রম ইবোবীগী ক্বার্টরদা পাঙথোক্কনি হায়দুনা থৌরাংলম্বনি। অদুবু মশীং শুনা লাক্তবদগী ফোর্মেল ওইবা ব্লোক অসিগী মীফমদি থা অসিগী ২৫দা পাঙথোক্লবা লেপ্পখিবনি হায়রি।

## মখান খুলগী খুঞ্জাশিংনা পুলিসকা লোয়ননা পোপি পাম্বী য়ান্থৎপা চঙলুবদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা কিহল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) :** সাইতু গম্ফাজোল সব দিভিজনদা লৈবা মখান (মখেন) ভিলেজ ওথোরিটিনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ২০গী অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা কাংপোকপীগী এদিসনেল এস পিনা লূচিংবা পুলিস পর্সনেল ৩০ হেনবগা খূৎশম্নদুনা খুল অসিগী ভোলন্টিয়রশিংনা মখোয়গী এরিয়াদা কুকি খূৎলায় পায়বা অমসুং মখোয়গী মীওইশিংনা থারম্বনি হায়বা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎপা চঙলুবদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা কিহল্লকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিদা কাংপোকপীগী এদিসনেল এস পিনা লূচিংবা মহাক্কী টিমগী পর্সনেলশিং মফম অদুদগী চেন্থোরকখি হায়রদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্তা ঙসিদগী হৌরদুনা নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা মখান লিয়াংমাই নাগাগী এরিয়াদা থারিবা পোপি পাম্বীশিং অথুবা মতমদা য়ান্থৎতুনা মাঙহনগদবনি অদুগা কুকি পোপি কার্টেল গ্রুপশিং অমসুং মখোয়গী খূৎলায় পায়বা মীওইশিংবু লৈঙাক্না ফাগদবনি হায়রি।

মফম অদুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্তবদগী মখল অমত্তগী চৎথোক চৎশিন তৌবা অমসুং পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা য়াদ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## ৱায়নর লোক সভা সিটতা প্রিয়াঙ্কা গান্ধী মায় পাকখ্রে

### মহারাষ্ট্রদা এন দি এনা লূচিংবা লৈঙাক অমুক লিংলগনি, ঝরখণ্ডদনা কোংগ্রেস ১সুং জে এম এমগী লৈঙাক মখা তানা লৈখিগনি

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :** তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা সিট ৮১ লৈবা ঝরখণ্ড অমসুং থা অসিগী ২০দা নোংমতদা মীখল পাঙথোকখিবা সিট ২৮৮ লৈবা মহারাষ্ট্র এসেমব্লি ইলেক্সনগী য়াওনা কেরলাগী ৱায়নর অমদি মহারাষ্ট্রগী নন্দেদ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগা কোন্ননা ষ্টেট খরদা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলশিংগী ভোট মশীং ঙসি থিখিবদা ৱায়নর লোক সভা সিটতা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা সী পি আইগী শাথিয়ান মোকেরিদগী ভোট লাখ ৪ রোম হেন্না ফংদুনা মায় পাকখ্রে। মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপ নাভিয়া হরিদাসনা শুপ্পনতগী ভোট লাখ ১দগী খরদমক হেন্না ফংদুনা অহুমশুবা তাহৌরে।

অদুম ওইনমক থা অসিদা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা মহারাষ্ট্রগী নন্দেদ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীখলদদি বি জে পিগী ডা. শান্টুকরাও মারোত্রাও হম্বারদেনা কোংগ্রেস মীরেপ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



## প্রিপাক (প্রো) না অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক-প্রোগ্রেসিভ) কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল নীংশিংবনা থোরকপা চেরোল অমদা ইবোতোম্বী খুমননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## সোরেপা কংলৈপাক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ :** হৈক্রুজম ইবোতোম্বী খুমননা লৈখিদবদা সোসলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা), কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি এন্দ ওর্গনাইজেশন) এম সী য়াইফবীনা থোরকপা চেরোল অমদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## এন পি পিগী নেশনল এগজিক্যুটিভ মীটিং

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থক্তা দেল্লীদা লৈবা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোক্কনি হায়দুনা মতম লেপ্পল্লগা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা পার্টি অসিগী নেশনল এগজিক্যুটিভ মীটিং থা অসিগী ২৭কী অয়ূক্তা শিলোংদা পার্টিগী নেশনল প্রেসিদেন্ট কোনরাদ কে সংমানা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মীফম অসিদা পার্টি অসিগী নেশনল ভাইস প্রেসিদেন্ট অমা ওইরিবা মণিপুরগী হান্নগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## 'মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না তূমিন্না লৈশিনবা মানবা থৌওং পেন্নদ্রে'



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) :** কুকি টেররিষ্টশিংনা চথরক্লিবা লান অসিগী মনুংদা জিরিবামদা পীক্লিবা অঙাং য়াওনা মীওই ৬ হাৎখিবা অমসুং লৌবুক্তা লৌ শূদুনা লৈজবী নুপী ফাওবা হাৎলল্লবসু মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী তূমিন্না লৈশিনবা মানবা থৌওং অসি মীয়াম্না পেন্নদ্রে হায়না খুন্নাই কনবা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (খুকম্পাল-২), ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি রাজকুমার লক্ষ্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লূপ অসিনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশন (কাদুকো), এম এস এফ, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং অমোভা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটনা শীন্দুনা খোল্লাও কয়া লাউরদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## কোইরেংনা লূচিংবা য়ু এন এল এফকী ৬০শুবা মপোক কুমওনগী মাঙওইননা সেন্ত্রেল কম্মিটিনা চহীগী ৱারোল পীরক্লি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ :** হয়েং পাঙথোক্কদবা কোইরেংনা লূচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ), মণিপুরগী ৬০শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী মাঙওইননা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মায়কৈদগী চহীগী ৱারোল মীয়ামদা থম্লক্লি।

সেন্ত্রেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) এম শকহেননা থাদোরকপা চহীগী ৱারোল অসিনা হায়, ঙসি নোংমাইজিং, ২৪ নবেম্বর ২০২৪, শেংলবা নুমিৎ অসি মণিপুর মীয়াম্না পামজবা পূন্সিরোল অমা নীং-খা তম্না লেপচবা ঙম্নবা লৈবাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ৱাখল চুংশিন্নদুনা শেমখিবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী ৬০শুবা মপোক কুমওন নুমিৎনি। নুমিৎ অসিদা লালহৌলূপ অসিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিনা পার্টি অমসুং লান্মী শঙলূপকী মহুৎ শিঞ্জদুনা ইরৈচা পূম্নমক্কী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

থোইদোক্না ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক্না য়োক্তুনা থম্বা মপান লৈঙাক্তগী লোন্না চঙলকপা খূৎনেক কুকি খূৎলায় পায়বশিংবু মণিপুর লৈবাক অসি মচেৎ-মচেৎ থুগাইবগী পান্দমদা ঐখোয়গী য়েলহৌ ফূরুপশিংদা, মরু ওইনা মীতৈ ফূরুপ্তা, লান তাশিলহন্দুনা ইশাগী লৈবাক্তা লাঞ্জেন্নবা ফীভম অমা নংহল্লবা ইরোল-ইরল তাক্লবা ফূরুপচাশিংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি অমদি অনৌবা খুমাঙ চাওশিনবা য়াওল খোঙজং অমগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। লোয়ননা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পুথোকচবা য়ু এন এল এফ সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চহীগী ৱারোল অসি ইরৈচা পূম্নমক্না চনীং তানা খন্নবীনবা থমজরি হায়রি।

**১) ৱাহৌদোক :** ঙসি মণিপুর হায়না খঙনরিবা লৈবাক অসি নোংচুপ থংবা খা-নোংপোক এসিয়া (ৱেষ্টর্ন সাউথ ইষ্ট এসিয়া) লমদম অসিগী চহী লিশীং কয়াগী শাংলবা লিক্লমচৎ (হিষ্ট্রি) তা মনুং অমসুং মপানগী তেমশিংনরকপা কয়া লাকশিন্দুনা, য়েলহৌঙৈদগী খুদামিন্নরক্লবা ফূরুপচাশিংগা লোয়ননা মৈতৈশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## পাম্বৈনা লূচিংবা য়ু এন এল এফকী ৬০শুবা মপোক কুমওনগী মাঙওইননা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চহীগী ৱারোল থম্লক্লি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ :** হয়েং পাঙথোক্কদবা পাম্বৈনা লূচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ), মণিপুরগী ৬০শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী মাঙওইননা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মায়কৈদগী মীয়ামদা চহীগী ৱারোল থম্লক্লি।

লালহৌলূপ অসিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চেরোল অসিনা হায়, য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) লিংখৎখিবগী ৬০শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা লালহৌলূপ অসিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিনা পার্টিগী মহুৎ শিঞ্জরগা লোইলম লৈঙাক্কী মীওৎ-মীনৈ খাঙদুনা হিংলিবা ইরৈচাশিং, য়েলহৌমীশিং, মণিপুর অমদি নোংচুপ থংবা খা নোংপোক এসিয়া (ৱেষ্টর্ন সাউথ ইষ্ট এসিয়া) দা লৈমিন্নরিবা মরুপ-মপাং ওইবা য়াওল্লুপ খুদিংমক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা চহীসিগী ৱারোল লাম্থোকচরি।

শেংলবা নুমিৎ অসিদা পার্টি অসিবু লিংখৎপীরম্বা লৈখিদ্রবা লূচিংবশিং, পার্টিগী কেদরশিং, এম পি এগী ওফিসরশিং, এন সী ওশিং অমসুং প্রাইভেট পূম্নমক্কী মফমদা খ্বাইদগী ৱাংবা ইকায়খুম্নবা অদু উৎচরি। লোয়ননা লোইলম লৈঙাক্কী মীওৎ মীনৈগী চৈথেং ফংখিবা ইরৈচা পূম্নমক্কী মফমদসু ইকায়খুম্নবা উৎচরি।

চহীগী ৱারোল অসি পীজবগা লোয়ননা থমজনীংবা ৱাফম অমদি ৱেসিয়া লমদম অসোমদা লৈরিবা ঐখোয় পূম্নমক মাঙখ্রবা নীংতম্বা অমুক হঞ্জিন্নবা অমদি ফূরুপকী মরোমদোম লেপচনবা রাইটস (রাইট টু সেল্ফ দিটর্মিনেশন) গীদমক লালহৌলূপ অসিনা খূৎলায় পায়বা লাল্লোং অমা চঙশিন্দুনা লাক্লি। মসি য়ু এন এল এফনা পাম্বা/পামদবগী মখা পোন্না চঙশিনখিবা নত্তে। ইন্দিয়াগী কোলোনিএল রিলেশন অদুনা পুথোরকখিবা ফীভম অদুনি হায়রি।

কুমওন অসিনা লাকপদা য়ু এন এল এফনা মতম শাংনা চহী ৬০ চূপ্পা চথদুনা লাক্লিবা নীং-খা তম্বা হঞ্জন্নবা লালহৌ অসিগীদমক্তা তশেংনা চাউথোকচবা পোকচৈ। চহী ৬০ চূপ্পা চঙশিল্লকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লবসু নেশনল লেভেলদা গোল্ড অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবী নুপীমচা শান্নরোয় অমনা লান লোইশিনবীয়ু তেংথারক্লি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
উয়ুমপোক খামেন লোক্তগী খুঞ্জা

(ঙরাংগী মখা...)

রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগী তোঙান তোঙানবা নেশনলগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ অনীদা শরুক য়ারুবদা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবী টাইক্বান্দো মশান্নবু থৱায় য়াওনা শান্নরিবী মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইহরিবী নুপীমচা অসিনা মখা তানা হায়, ঐহাক খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেলগী টুর্নামেন্ট কয়াদসু শরুক য়াদুনা সিলভর মেদল ফংবা য়াওখ্রে অমসুং নেশনল লেভেলদসু রিলিফ কেম্পতা লৈনা-লৈনা অয়ুক নুংথিল নুমিদাং খায়দনা কেম্প মনুংগী অপীকপা কাদা অমদি ময়ামগী পূনফম হোলদা প্রেক্টিস তৌদুনা চেম্পিয়নশিপশিং অসি য়াওবা ঙমখিবনি। ঐনা পামজরিবা মশান্না অসিদা মীথোই মীহেন্নবা হোৎনবদা ঐহাক্না পীক্লিঙৈদগী ৱাঙ্খেদা মীগী অশানবা কা অমদা লৈদুনা মশান্না অসিবু মপূং ফানা হৈনবা হোৎনবদা ঐবু পোকপা ইপানা কুঠি ফাওবা য়েংবীদুনা হোৎনখি অদুগা ইমানসু মুগাগী লং শুংদুনা শেল তাল্লগা য়ূমগী অৱাৎ-অপা মেনখৎতুনা লাকপনি। লান অসি হৌরকপদগী শেম্থোক লম্বী লৈরক্তবনা মীগী অশানবা কাগী শেল হুনবা ঙম্লক্তবদগী য়ূমদা লৈরুরবা মতুং লান অসিনা মরম ওইরদুনা কুকিশিংনা য়ুম-কৈ মৈ থাদুনা তাল্লকপদগী রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকখিবনি।

কেম্প অসিদা ঐহাক্না চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়ানবগী প্রেক্টিস তৌরকপা মতমদা ঐহাক্কী চান-থক্লবা লফোই, য়েরুম্নচিংবা লৈঙাক্না পীবিরকপদগী হেন্দোক্তুনা কেম্প অসিগী ভোলন্টিয়র ইমাশিংনসু মতেং পাংবীখি। কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা ওজা ওলেনগী প্রেক্টিস তৌফমগী য়ূমদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা ঐবু পোকপা ইপানা মতেং পাংবীখি। অদুবু য়াম্না তোয়না চৎপদি ঙমখিদে। অয়াম্বা মতমদা রিলিফ কেম্প মনুংদা প্রেক্টিস তৌখি। অদুবু ওজা ওলেননা ঐগীদমক শেল অমত্তা লৌবীদনা তাকপী-তম্বীবা অমদি চেম্পিয়নশিপ নকশিল্লক্লবা মতমদা হেন্না থৱায় য়াওনা তাকপীবনা ঐহাক্না মেদল ফংবা ঙম্লকপনি হায়রকখি। ঐঙোন্দা য়াম্না ৱাখিবা হায়রগদি শান্নবা চৎলমদাইগী শেলগী মতাংদনি। হন্দক চৎলুরিবা চেম্পিয়নশিপ অদুসু ফ্লাইট টিকেট অমদি এন্ত্রি ফীগী শেলশিং পুথোক্লবা লৈতদুনা ঐবু পোকপা ইপানা শীজিন্নরিবা মোবাইল ফোন অদু মীঙোন্দা বনধান থম্লগা শেল পুরগা অমদি শাগৈ নাতৈ, খঙন-চান্নবশিংনসু অঙম্বা মতেং তৌবীরকপগা লোয়ননা ঐহাক্না তমজরিবা মীতৈ ময়েক হায় স্কুলদগীসু লুপা লিশীং ১০গী মতেং তৌবীরক্তুনা পূন্না লুপা লিশীং ২৫ রোম পুদুনা শরুক য়াবা চৎখিবনি। অদুগা মীয়ামগী মতেংদগী গোল্ড মেদল ফংলকপা ঙমদুনা মায় পাক্না হল্লকখিবনি হায়নসু মমিৎতা মপি তানা কপ্তুনা পাউদম্লকখি।

নুপীমচা শান্নরোয় অসিনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লান অসি লোইশিন্দবনা ইহৈ-ইশিন তম্বা অমদি ঐগী শান্ন-খোৎনবদা মতাং মতম চানা অমদি ৱাখল লৈতানা পূক্নিং চঙশিনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কর্ফিয়ু : নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কোমথোক্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদগী ঙসি থোরকপা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না হয়েং অয়ূক পুং ৫দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্কনি হায়রি।

## ইন্টরনেটকী অথিংবা শাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীং, কাংপোকপী, চুড়াচান্দপুর, জিরিবাম অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতা থম্লকখিবা মোবাইল দাটা সর্ভিস অমসুং ইন্টরনেটকী অথিংবা অদু থা অসিগী ২৫গী নুংথিল ৫.১৫ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।

## মণিপুরগী ফীভমসিদা অহল ওইরবসু তূমিন্না লৈথোকপা য়ারক্তে : অরিবম শ্যাম শর্ম্মা




**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) :** তরাগী চৈশুগী এদভাইজরসু ওইরিবা মণিপুরগী শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর অরিবম শ্যাম শর্ম্মানা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা অহল ওইরবসু তূমিন্না লৈথোকপা য়ারক্তবদগী অঙম্বা থৌদাং ওইনা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়ারকপনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি তরাগী চৈশুনা তোঙান তোঙানবা লূপশিং ওইরিবা ইম্ফাল নাগা পিপলস ফোরম অমসুং কোর কম্মিটি ওন রিলিফ এন্দ রিহেবিলিটেসন, মণিপুর, সী এফ জে এম, মুটা, শিজ এ ঐচ এস, টি এন এ, এ এ এন টি এস জেনিমস, আই পি এ, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫